HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur



দেঙ্গি লায়না শন্দোরকপদগী লায়েংবদা মথৌ তারকপা ঈ পীনবগীদমক হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা হায় কোর্ট বার এসোসিএসন অমসুং রিমসকা খূৎশম্নদুনা ইন্সটিট্যুট অসিগী ব্লদ বেঙ্কতা ঈ পীবগী থৌরম পাঙথোকখিবা (লমায় ৩)

ৱাখল মকা লাম্না নোকফেৎ তৌনা নোক্তুনা লৈবনা ঈগী ঈচেল ফহল্লি...
☛ লামায় ২

ঙমখৈগী ৱাথোক অথুবদা লোইশিল্লু : এ এম দি দল্লিয়ু এ
লামায় ৩

(মীয়াম্না পাবীয়ু, নৈনবীয়ু) 'মণিপুরগী লানগী মতাংদা মীয়ামগী ৱাফম'
☛ লামায় ৯

জুভেনাইল ক্লব, ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন অমসুং পোলোই ফুটবোল ...
☛ লামায় ১০

রামকৃষ্ণ মিসন (বাবুপড়া) ইম্ফালনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরক্লিবা মীওইশিংদা লেপ্তুনা তেংবাঙ পীরকপগী মনুং চন্না ওক্টোবর ১৫দগী ২১ ফাওবদা রিলিফ কেম্প ২৬কী মীওইশিংদা কম্বল অমসুং অতে পোৎলমশিং য়েম্থোকখিবা (লমায় ৩)




Vol. 47, Issue No. 210 | লৈবাকপোকপা, মেরাগী ১০নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Tuesday, October 24, 2023, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

### মীতৈদা লান্দাবদা য়াওবা চিন-কুকি লিবরেসন আর্মিগী মথক্তা ওপরেসন চথখ্রে

## য়ু জি ৩ লুপা ৪,৮৬,৫০০, কানি কিলো ২.৫, নোংমৈ ৪ য়াওনা খূৎশু-খূৎলায় কয়াগা কোন্ননা ফারে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ (ঐচএনএস) :** চহী লিশীং ৩ হেনবগী পুৱারীগা শাগোন্নরকখিবা মণিপুরগী ঙমখৈগী অপূনবা শক্তম থুগাইরগা মখোয় খক্তগী ওইবা 'সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন' লৌগনি হায়বগী দিমান্দ তৌরদুনা মে ৩দগী অতম্ননা মীতৈদা ওনশিন্দুনা তমথীরবা লান চথরকখিবদগী মীয়াম্না নার্কো টেররিষ্টশিংনি হায়দুনা ফোঙদোক্লরল্লিবা কুকি ফূরুপ্পা কোনশিনবা অপীকপা কাঙলূপ মচা-মচাশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা চিন-কুকি অন্দরগ্রাউন্দ ওর্গনাইজেসন অমা ওইদুনা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতা বেজ তৌবা চিন-কুকি লিবরেসন আর্মি (সী কে এল এ) গী মিলিটেন্টশিংগী মথক্তা ৩৬শুবা অসাম রাইফলসনা উকায় তকথরকপদা মালেমগী কৈথেলদা লুপা লাখ ১.৫ রোমগী মমল ওইগদবা কানি কিলোগ্রাম ২.৫, শেল ওইনা লুপা ৪,৮৬,৫০০ অমসুং টেলেস্কোপ য়াওবা স্নাইপর রাইফল অমা, ইন্সাস রাইফল ২, এ কে ৪৭ রাইফল অমা অমসুং এম ক্য এসোল্ট রাইফল অমা য়াওনা খূৎশু-খূৎলায় কয়ামরুমগা কোন্ননা ফারে হায়রি।

পাউচে অসিনা থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়বদা ঙরাং নুমিদাং অমসুং ঙসি অয়ূক্কী লোন্নবা অহিংদা ৩৬শুবা অসাম রাইফলসকী পর্সনেলশিংনা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চল্লিবা টি খ্বাংখাই খুলগী মফম খরদা লৈবা সী কে এল এগী লোৎফমশিংদা কোন্ডিং ওপরেসন চথখি হায়রি।

মায় পাক্লা চথখিবা ওপরেসন অসিদা সী কে এল এগী এক্টিভ কাদর অনী য়াওনা মীওই অহুম ফাগৎলকখি। ফারবশিংদি চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী এল খোনোম্ফাই খুলদগী ঙমখোসৈ বাইতে (৩২) অপোকপা থাংখোলেৎ বাইতে (সেপ্টেম্বর, ২০২০দগী লালহৌলূপ অসিগী কাদর ওইরকখিবা), দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুং চনবা তৈসালজাং ভিলেজদগী লুনমিন্থাং হাওকিপ (২৫) অপোকপা জাংখোঙম হাওকিপ (কুমজা ২০২০দগী লালহৌলূপ অসিগী কাদর ওইরকখিবা) অমসুং খুল অসিমক্তদগী মশাগী চহী ২৬ লোম শুরবা সোমিন্থাং খোংসাই অপোকপা সৈকম খোংসাইনি হায়রি।

মখোয় অহুম ফাগৎখিবগা লোয়ননা মখোয়দগী রিকোভর তৌখিবা পোৎলমশিংগী মনুংদা কানি অমসুং নোংমৈ ৪ অসিগী মথক্তা এ কে রাইফলসকী মেগজিন ২, ৫.৫৬ এম এমগী ইন্সাস রাইফলগী মেগজিন ১, এম-১৬ রাইফলসকী মেগজিন ১, স্নাইপর রাইফলগী মেগজিন ১, ৭.৬২ এম এমগী বোল এম্যুনেসন ৪৮, ৫.৫৭ এম এম ইন্সাস রাইফলগী বোল এম্যুনেসন ৫৭, ৭.৬২ এম এম স্নাইপর রাইফলগী বোল এম্যুনেসন ৪, বাইনোক্যুলর ১, ৱায়রলেস সেটকী চার্জর ১, ৱেয়রলেস সেট ৪, ম্যান্মারগী থাঙশাং ১, খুক্রি ১, আধার কার্দ ৩, পান কার্দ ১, মনি বেগ ১, রেদমি-১০ এগী মোবাইল ফোন ১, গাড়ীগী রেজিষ্ট্রেসন কার্দ ১নি হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়বদা ফারবা মখোয় ৩ অমসুং মখোয়দগী রিকোভর তৌরকখিবা য়াল্লবা শেনফম অমসুং কানিশিং অসিগা কোন্ননা নোংমৈশিং, নোংমৈ মরূ, ৱেয়রলেস সেট অমসুং অতৈ পোৎলমশিং অসি মরী লৈনবা পুলিস ষ্টেসনদা খূৎশিন্নদুনা মখোয়গী মথক্তা লোগী মতুংইন্না লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎনবা অসাম রাইফলসকী মায়কৈদগী থৌরাং তৌরে হায়রি।

অদুম ওইনমক ওপরেসন অসিগা মরী লৈননা অসাম রাইফলস নৎত্রগা মণিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমদগী ওফিসল ওইবা চেরোলশিংদি থোরকখিদ্রি।

## দ্রগ কেসতা চেন্নবা কুকি ১ বেল লৌবদা লৈঙাক্কী এমপ্লোয়ী শাদুনা সিয়ুরিটি পীরম্বা মীতৈ পাঙল ২ ফারে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ (ঐচএনএস) :** মমাঙ চহী ২০২২গী দিসেম্বর থাদা মোরে পি এসনা ইল্লিগেল দ্রগশিংগা কোন্ননা ফাখিবা কুকি নুপা অমবু মরী লৈনবা কোর্টতগী বেল লৌবদা লৈঙাক্কী এমপ্লোয়ীশিং শাদুনা শেমজিন-শাজিনবা দোক্যুমেন্টশিং কোর্টতা পীশিল্লগা বেল বোন্দদা সিয়ুরিটি ওইরম্বা মীতৈ পাঙল অনী পুলিসনা ফারে।

মোরে পি এসনা ইল্লিগেল দ্রগশিংগা কোন্ননা ফাখিবা কুকি নুপা অদুগী মমিং লেটখোচোন কিপগেন কৌই। মহাকপু কেস অসিগা মরী লৈননা জেলদা থম্লক্ত্রিঙৈগী চৈরক্তা মহাক্কী মায়কৈদগী কেস অসিদগী বেল পীবিনবা লম্ফেল কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈরিবা স্পেসল কোর্ট (এন দি এন্দ পি এস), মণিপুরদা প্রেয়র তৌরকখিবনি।

মহাক্কী প্রেয়র অদুগী মতুংইন্না কোর্টনা বেল মেট্টর অসি খন্ননবগীদমক ক্রিমিনেল মিসেলিনস (বেল) কেস নম্বর ১৫৯ ওফ ২০২৩ লৌখৎখিবনি। অদুগা বেল মেট্টর খন্ননবা কেস অসিগী হিয়ারিং চথরবা মতুংদা হৌখিবা জুলাই ২১, ২০২৩দা কোর্ট অসিনা পীখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না লেটখোচোন কিপগেনদা 'দিফোল্ট বেল' পীখিবনি।



অদুম ওইনমক ইল্লিগেল দ্রগশিং ফাগৎপগী কেসতা এক্যুজ ওইরিবা মীওই অসিবু কোর্টনা বেল পীরবা মতুংদা মহাক্কী বেল বোন্দদা এম দি রসিদ অহম্মদ অমসুং এম দি ফরিদ খান কৌবা মীওই অনীখক্না মখোয় অনীমক মণিপুর লৈঙাক্কী এমপ্লোয়ীশিংনি হায়দুনা শেমজিন শাজিনবা দোক্যুমেন্টশিং শীজিন্নরগা সিয়ুরিটিশিং ওইরমখিবনি। মখোয় অনীগী মনুংদা এম দি রসিদ অহম্মদনা মহাক ঈ আই এন ০৯৩৬৫১গী মখাদা পিওন ওইনা থবক তৌরি হায়রগা এম দি ফরিদ খাননা ঈ আই এন ০৪৩৬২১গী মখাদা দেপ্যুটি কম্মিস্নর তেংনৌপলগী ওফিসতা দ্রাইভর ওইবনি হায়জিল্লম্বনি। অদুম ওইনমক কোর্টকী মায়কৈদগী মখোয় অনীনা লেটখোচোন কিপগেনগী বেল বোন্দদা সিয়ুরিটি ওইবগীদমক কোর্টতা সবমিট তৌরমখিবা আইদেন্টিটি কার্দ অমসুং সেলরি সর্টিফিকেটনচিংবশিং কোর্ট অসিগী ষ্টাফশিংনা ভেরিফিকেসন তৌরুবদা অরানবা অমসুং শেমজিন শাজিনবা দোক্যুমেন্টশিং ওইরমখিবনি হায়রি।

কোর্টনা থৌদোক অসি থেংনরকপদগী ঙসি কোর্ট অসিগী সেরিষ্টাদার এন ধনচন্দ্রনা কমপ্লেনেন্ট ওইদুনা মখোয় অনীগী মথক্তা লম্ফেল পি এসকী ও সীদা রিপোর্ট অমা ফাইল তৌখিবনি। লোয়ননা মখোয় অনীনা অসিগুম্বা থৌওংশিং চথরম্বগীদমক আই পি সী সেক্সন ৪৬৫, ৪৬৮, ৪৭১ অমসুং ৪৭৩গী মখাদা এক্সন লৌখৎপীয়ু হায়জখিবনি। কমপ্লেন্ট অসিগী মতুংইন্না মখোয় অনী পুলিসনা ফারগা মখোয়গী কষ্টদিদা থমখ্রে। হয়েং মরী লৈনবা কোর্টতা পুথোক্কনি হায়রি।

## নাপী হীদাক কাপশিন্দুনা লোকপা য়ারক্লবা লৌ হাত্তোক্লম্বদা চেন্নবা মীওই ৩ ফারে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ (ঐচএনএস):** কুকি মিলিটেন্টশিংনা মীতৈশিংগী য়ূম-কৈ অমদি দুকান্নচিংবশিং মৈ থাদোকপা খক্তা নত্তনা চীংখোঙ-চীংয়াদা লৈবা লৌবুকশিংদা লৌ উবদা ফাওবা নোংমৈ কাপশিন্দুনা অথিংবা পীরকখ্রবসু উদবা য়াদবদগী অঙম্বা পাম্বৈ শীজিন্নদুনা পানখিবা লৌ মুল্লক্তুনা খাওবা য়ারক্লবা মতমদা নাপী হাৎনবা হীদাক কাপশিন্দুনা হাত্তোক্লম্বদা চেন্নবা মীওই ৩ মোইরাং পুলিসনা ফাগৎখ্রে।



নাপী হীদাক কাপশিন্দুনা হাত্তোক্লম্বা লৌবুক অদুগী মপুগী মমিংনা অহোংশাংবম তোনস্না কৌই। মোইরাং পি এসকী মনুং চনবা ত্রোংলাওবী মখা লৈকায়দগীনি। মহাক্কী লৌবুক অদুনা লৈকায় অসিগী খুঙ্গং লৌকোন্দা লৈবনি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা পুলিসনা ফারবা মীওই অহুম অদুদি এ তোনস্নাগী মবাই থোকপা ত্রোংলাওবী মখা লৈকায় ফাইরেনবম লৈরক্তগী ইরেংবম বিমোল এলিয়জ বাবু (৬০) অমসুং তেরাখোঙশাংবী মমাঙ লৈকায়দগী হুইদ্রোম হেরামনি (৩৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা ঐচ অহোংজাউ অমসুং খুদেকপী মমাঙ লৈকায়দগী লৈফ্রাকপম মুহিন (৫৩) অপোকপা লৈখিদ্রবা এল চাউবনি। মখোয় অহুমগী মনুংদা মবাই থোকপা ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## ঈং-তপ্পা হঞ্জিল্লক্লে হায়নরিঙৈদা শকখঙদবশিংনা শিন্মী ৪ ফারগা পুখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ (ঐচএনএস) :** কুকি মিলিটেন্টশিংনা মীতৈদা ওনশিন্দুনা চথরকপা লান খরা পাথরকপদগী ষ্টেট অসিদা মহৌশাগী ঈং-তপ্পা ফীভম হঞ্জিল্লকপগা লোয়ননা লো এন্দ ওর্দরগী ফীভমসু খরা ফংগৎলক্লে হায়নরিঙৈগী চৈরক্তা ঙসি নুংথিল পুং ৪ রোম তারকপদা লম্লাই পি এসকী মনুং চনবা ফক্লুংগী মফম অমদগী ইকো ভেন অমদা লাকখিবা শকখঙদবা খূৎলায় পায়বশিংনা শিন্মী ৪ নোংমৈ চিন্দোন্দা নমদুনা ফারগা পুখ্রে হায়রি।

শিন্মী ৪ অদু থৌদোক থোকফম অদুদা ত্রকশিংদগী টোটি পাইপশিং লৌথরিঙৈগী চৈরক্তা সিলভর মচুগী ইকো ভেন অমদা লাকখিবা খূৎলায় পায়বশিং অদুনা ৱা অমত্তা ঙাঙলমদনা মখোয় মরিমক নোংমৈনা নম্লগা শকখঙদবশিং অদুনা তোংলকখিবা ইকো ভেন অদুদা হাপচিল্লগা মোইরাং কম্পু তাবা লম্বীরোমদা পুদুনা চৎখিবনি হায়রি।

থৌদোক অসিগী পাউ হেক ফংবগা লম্লাই পি এসকী ওফিসর ইন চার্জনা লুচিংবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোগী টিমশিংনা শিন্মীশিং অদুবু পুরগা চৎলম্বা য়াই চিংনবা লম্বীশিং অমসুং ফারগা থম্লমগনি চিংনবা মফমশিংদা চাইথোক্লদুনা খোঙ্গুল লীবগী থবক চথখি। অদুম ওইনমক নুমিদাং অথেংবা ফাওবদা শিন্মীশিং অদুগী মমিং-মথা য়াওনা মখোয়গী মরাইবক খঙবা ঙমখিদ্রি।

পাউচে অসিনা থৌদোক অসিগী মতাংদা ওফিসল ওইবা রিপোর্ট লৌনবগীদমক এস পি, ইম্ফাল ইষ্টতা টেলিফোন তৌবদা পায়খৎলকখিদে।

## মোরেদগী লাঞ্জেল্লকখিবশিং হঞ্জিলহন্দ্রিবা ফাওবা ককচীং লমখাইদা ঙমখৈ ঙাকখিগনি : লাংসাই থৌনা

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ (ঐচএনএস) :**

লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌরিবা মোরেগী মীতৈশিং মফম অদুদা অমুক হঞ্জিন্দুনা তংদু-লৈতানা লৈহন্দ্রিবা ফাওবা ককচীংগী মীয়াম্না ককচীং লমখাইদা চথরিবা ঙমখৈ ঙাকপগী থবক মখা তানা চথখিগনি হায়না লাংসাই থৌনা ককচীংগী কনভিনর রজিব ক্ষেত্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি কুকি ইনপি তেংনৌপলনা হন্দক্তা মীদিয়াদা ককচীং লমখাইদা ঙমখৈ ঙাক্লিবা অসি লৈঙাক্না লৌথোকহনবগী মতাংদা থাদোরকখিবা চেরোল অদুগী পাউখুম ওইনা ঙসি ককচীং লমখাইদা পাউমীশিংগা উনবদা মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।



মহাক্না হায়, মোরেদা কুকিশিংনা মৈ থাদোকপীখ্রবা মীতৈগী য়ূমশিংদা ঙসিসু হঞ্জিন্দুনা লৈবা ঙমদ্রি। মসিদসু নত্তনা মোরেদা থাজিনখিবা ষ্টেট ফোর্স ফাওবা কুকি নুপীশিংনা থৎতুনা থম্বদগী মোরে য়ৌশিনবা ঙমদ্রি। মোরেদা ষ্টেট ফোর্স ৫০০/৬০০কী মথক্তা থমদ্রিবা ফাওবা মোরেদগী লাঞ্জেল্লক্লিবা মীতৈশিং হঞ্জিন্দুনা লৈবগী ওইথোকপা লৈতে। মরম অসিনা অথুবা মতমদা লৈঙাক্না অমদি মরী লৈনবশিংনা মোরেদা ষ্টেট ফোর্সকী পর্সনেল ৫০০/৬০০তগী তাদনা থম্বীয়ু। লোয়ননা ককচীং লমখাইদা লাংসাই থৌনাগী মীৎয়েং মখাদা ককচীংগী মীয়াম্না চথরক্লিবা ঙমখৈ ঙাকপগী থবক অসিদা কুকিগী নত্তনা মোরেদা লৈবা অতৈ ফূরুপশিংগী চান-থক্লবা পোৎলমশিং পুশিনবদা অথিংবা থমদে। কুকিনা মীতৈদা নোংমৈনা লান্দারকপনি অদুবু ...মখা লামায় ৩ কলম ২

### মিজোরামদা লুপা ক্রোর ১.১৭ রোমগী হিরোইন ফারে

(পাউ লমায় ৩দা)

### কর্ফিয়ু কোমথোক্কনি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ (ঐচএনএস):** হয়েং ওক্টোবর ২৪দা ইম্ফাল ইষ্ট, ৱেষ্ট, থৌবাল, বিষ্ণুপুরদা অয়ূক পুং ৫দগী নুমিদাং পুং ১০, ককচীংদা অয়ূক পুং ৫দগী নুংথিল পুং ৬ ফাওবা কর্ফিয়ু কোমথোক্কনি হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

**HL Poll**

Q : Chinggi districtsingda akanba combing operation chathabana patharaklaba Lan ashi lephanbada achouba mateng oigani haibada langadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

Q : Lou khaoba-yeibada Security pibagi mathakta khaoba yaraba loubuksingda hidak chaisinduna amang-ata thokhandanaba thabaksu loukhatpa chumloidra?

Yes 43% No 57%

**অস! লোইরেহে!**

- করিনো কোক্লে নঙনা তৌরিদো।



- বাজি য়েনশাং হাউরোইদৌরেনা লাইশ্রমগী হৌদোংদু ফারুরে।

### পব্লিক একাউন্টস কম্মিটিনা মণিপুর ভবনশিং য়েংশিনগদৌরি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ (ঐচএনএস):** এম এল এ, কে মেঘচন্দ্রনা চ্যেরমেন ওইবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী পব্লিক একাউন্টস কম্মিটি (পি এ সী) না গুৱাহাটি অমদি দেল্লীদা লৈরিবা মণিপুর ভবনশিংগী হৌজিক লৈরিবা ফীভমশিং স্পোট ভেরিফিকেসন তৌনবা থবক লৌখৎপা হৌখ্রে হায়রি।

চ্যেরমেনআ লুচিংবা টিম অসিদা এম এল এ, য়ু দেবেন অমসুং এসেমব্লিগী দেপ্যুটি সেক্রেটরি ব্রজ কুমার অমসুং জিতেস শরুক য়াগনি। টিম অসিনা মণিপুরগী মপান্দা লৈরিবা মণিপুর ভবনশিংগী ওফিসলশিংনা পীরিবা সর্ভিস অমসুং মখোয়গী অৱাৎ অপাশিং য়েংশিনবগা লোয়ননা দ্বারকাদা শাগৎলিবা মণিপুর ভবনগী ফীভমসু য়েংশিনগনি হায়রি।

### ক্বাক তানবগী থৌরম পাঙথোক্কনি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ (ঐচএনএস):** মহৌশাগুম্না হয়েং মেরাগী ১০নি পানবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ক্বাক তানবগী থৌরম লাইগী ওইবা থৌরম খক্তমক ওইনা পাঙথোক্লগনি হায়না সনা কোনুংনা ফোঙদোকখ্রে।

উত্রা শঙলেন সনা কোনুংদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা সনা কোনুংগী মায়কৈদগী লাইশ্রম পোইরৈতোন্না হায়, মৈনা ৱাই তাংনা শম তুরেল মোংবা ইদি কংফদবনা ক্বাক তানবগী থৌরম পাঙথোক্তুনা লাকপনি। ইবুধৌ পাখঙবা সনা হাক্তক্তগী চথরক্লিবা থৌরম অসি হয়েংসু পাঙথোক্লগনি অদুবু হৌজিক ওইরিবা ইরমদম সিনা অৱা-অনা তাবা অমসুং য়াম্না তংদু লৈতাদবা তাঙ্কক অমা লাক্লি। মসিনা মরম ওইরগা থৌরম অসি লাইগী ওইবা তৌফদ্রবা ...মখা লামায় ৩ কলম ১

### রিতেসকুমারবু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎনবা হোৎনরম্বশিং চৈরাক পীয়ু

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ (ঐচএনএস):** থা অসিগী ২০গী নুমিদাং পুং ১০ রোম তারকপদা উরিপোক খোইস্নাম লৈকায়দা লৈবা থোকচোম য়াইফবনা মহাক্কী মমান্নবা অহন্থেম রিটেসকুমার (২৩) অপোকপা লৈখিদ্রবা এ ওলিসকুমারবু মমায়দা নোংমৈনা কাপশিন্দুনা হাৎনবা হোৎনরম্মী হায়বগী মায়োক্তা ঙসি কলচরেল দিভেলপমেন্ট সোসাইটি অমদি উরিপোক সোর্বোন থিঙেল অপূনবা নুপী লূপ্পা লৈকায় অসিগী লৈরক মচিন্দা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিন্দুনা থৌদোক অসিদা চেন্নবশিং ফারগা চৈরাক পীনবা দিমান্দ তৌখ্রে।

ৱাকৎ মীফমদা শরুক য়াখিবী অপূনবা নুপী লূপকী সেক্রেটরি তৌরাংবম ...মখা লামায় ৩ কলম ২

### ঙসিদগী অন্সমনা লৈঙাক্কী ওফিসশিংদা পিকেটিং চথরগনি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ (ঐচএনএস):** ওল নাগা ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন, মণিপুর (অন্সম) গী চেরোল অমনা হৌজিক ষ্টেট অসিদা অথিংবা থম্লক্লিবা ইন্টরনেট হাংদোক্লগনি অমসুং গভর্ণমেন্ট কোলেজশিংগী কন্ত্রেক্টচুএল বেসিসতা লৌখিবা এসিষ্টেন্ট প্রোফেসরশিংগী রিক্রুটমেন্টগী রিজল্ট লাউথোক্লগনি হায়না অন্সমনা পীশিনখিবা চেরোলগী পাউখুম ওইনা থাজবা পীরকখ্রবসু থবক্তা ওন্থোরক্তবদগী অহানবা খোঙজং ওইনা হয়েং অমসুং হংচিৎ নুমিৎ নীনি চূপ্পা মণিপুর অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ওফিসশিংদা পিকেটিংগী খোঙজং চঙশিনবা হৌরগনি হায়রি।

দিমান্দশিং অসি ফংদ্রবদি হেন্না কনবা খোঙজংসু চঙশিল্লক্কনি হায়রি।

### কুকি খুঞ্জাশিংনা মীতৈ অমা কল্লকখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ (ঐচএনএস):** য়াম্না থাজদবা মওংদা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী তৌসেম সব দিভিজনগী মনুং চনবা জিরিবামগা নক্লনা লৈবা লাংনোম কুকি খুলদা ঙাওচৎনদুনা লৈরম্বা মীতৈ অমা কুকি খুল অসিগী খুঞ্জাশিংনা লৈফম চাফম পীরবা মতুংদা অসাম রাইফলসতা পাউ পীরকপদগী পুলিসকা লোয়ননা লৌখৎলগা ময়ূমদা হলহনখ্রে হায়রি।

পাউ অসিনা হায়বদা য়াইখোম মায়পাকসনা মৈতৈ কৌবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই অমা ঙরাং নুংথিল অথেংবদা ঙাওচৎনদুনা রেলৱে ত্রেক্টতা চৎতুনা লৈরম্বনি হায়রি। মহাক উবগা খুল অসিগী খুঞ্জাশিংনা চঙশিন্দুনা হংলুবদা মহাক্কী য়াওজরকপা শেল থুম অমসুং পোৎলমশিং লোইনমক ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## মিজোরাম মীখলগীদমক মীরেপ চে ১৭৪গী মনুংদা ১৭৩ য়াখ্রে

### সিট ৪০গী মনুংদা বি জে পিনা সিট ২৩ খক্তদা মীরেপ চে পীশিল্লক্লে

**আইজোল, ওক্টোবর ২৩ (এজেন্সী) :** ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) না চৎলিবা চহী অসিগী অরোইবা শরুকসিদা টেলঙ্গনা, ছটিশগর, মধ্য প্রদেশ অমসুং রাজস্থান য়াওনা মিজোরামগা পূন্না ষ্টেট মঙাগী এসেমব্লি ইলেক্সনশিং পাঙথোক্লগনি লাউথোকখিবগী মনুংদা য়াওরিবা মিজোরামগী ওইনা ষ্টেট অসিগী অপূনবা সিট ৪০গী মীখল মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবসিদা মীরেপ ওইনবগীদমক তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংদগী পীশিন্নরকখিবা অপূনবা কেন্দিদেট ১৭৪গী মনুংদা ১৭৩গী নোমিনেসন পেপরশিং অয়াবা পীখ্রে। কেন্দিদেটশিং অসিগী অয়াবা অসি ঙসি পাঙথোকখিবা স্ক্রুটিনিগী মতুংইন্ননি হায়রি।

অদুম ওইনমক পূন্না কেন্দিদেট ১৭৪না মীরেপ চে পীশিল্লকখিবগী মনুংদা নুপী ১৬ য়াওখি। অদুগা মিজোরামগী লৈঙাক পায়রকখিবা মিজো নেসনল ফ্রন্ট (এম এন এফ) কী মায়কৈদগী এসেমব্লি সেগমেন্ট ৪০ মক্তা মীরেপ চে পীশিল্লকখিবগুম ওপোজিসন পার্টি ওইরিবা জোরাম পিপলস মুভমেন্ট (জেদ পি এম) অমসুং কোংগ্রেসনসু সিট ৪০ মক্তা মখোয়গী মীরেপ চেশিং পীশিল্লকখি।

মীরেপ চে পীশিন্নরকখিবশিংগী মনুংদা এম এন এফকী ওইনা নুপী কেন্দিদেট ২ অমসুং ইহান হান্না মীখল থেংনগদবা মীওই ১৫ য়াওরি। অদুম ওইমনক বি জে পিগী ওইনদি অপূনবা সিট ৪০গী মনুংদা ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## য়ূম মৈ থাবা হৌরকপদা পুলিস অমসুং অসাম রাইফলসতা কনবীনবা হায়জখিবদা কনামত্তা লাকপীখিদে : য়ূম্নাম অবেমচা -২

### হকথেংনবা পাউদম

#### চুড়াচান্দপুরগী খুঞ্জা অমা

(ঙরাংগী মখা...)

পুলিসতা পাউ পীরবসু লাকপীখিদবগী মথক্তা পীক্লিবা ইচাবু থাদোক্লগসু ঐহাক নত্তনা শেন্নবীনবা লৈতবনা পোরগা অদুমক লৈবদা অৱাবা অমা ওইখি। লাঞ্জেন্নরকখিবা য়ূম অদুদা মীনা কৃক-কৃক ইন্নরে অদুবু মীতৈগী য়ূমশিং মথং-মথং মৈ থারকপদি লেপখিদে। য়ূম মৈ থারকখিবা কুকিশিংদুনা ইবুধৌ মায়কৈ ঙাকপগী লাইশঙ থুগাইরকপগী পাউসু তাখি। অদুগা ঐখোয় য়াওনা মীতৈশিংনা চঙজফম লৌদুনা লৈরক্লিবা মাম্মগী য়ূম অদুসু ইবুধৌগী লাইশঙগী মনীংদা লৈবনি। অহিংদুমা য়াম্না ৱানা খাঙলগা নোংঙাল্লমদাই পুং ৩ লোম তারকপদা আর্মিশিং লাকপা হৌখি। অদুবু মীনা কৃক-কৃক ইন্নরকপদগী অঙাং মচাশিং ফাওবা সিন্তেক্স মনুংদা হাপচিল্লগা থম্বা য়াওখি।

আর্মি লাক্লবনিনা খরদি শাফরগনি খনখি অদুবু মদুগী ওন্ন-তৈনবদা ঐখোয় পূম্নমক ম্যেন রোদলোমদা পুথোক্লগা দি সী ওফিস তম্না পুননবা লাকপা ওইরমখি। ঐখোয়গী মরক্তগী খরনা ঐখোয়দি ইশাগী য়ূমশিংদা চঙজগে হায়খি অদুবু মখোয়না য়াখিদে। মখোয়না ঐখোয়বু গাড়ীদা হাপকৎতুনা দি সী ওফিস তান্না পুবগী লম্বীদসু কুকিশিংনা থৎলম্বদগী লেপখি। হকচাংগী ফীভমদা মীমান্নদ্রবী ইচেদি অহিংদুমা ৱানা খাঙবদগী হান্নদগী হেন্না মশা শোন্থখি, নুমিদাংগী চাকসু চাখিদে। আর্মিনা ঐখোয়বু হোন্দোকপদা অহানবা গাড়ীদদি মীতৈশিংনা ঙারি নম্বদৌনা তোংনখিবনা য়াওবা নংহৌখিদে। মখোয়গী ইকোন কোনবা গাড়ীদা ওইনা য়াওরকখি। খুগা তম্পাক্তগীনা দি সী ওফিস ফাওবগী অরাপ্পসি কিলোমিটর অমরোমদনি। অদুবু আর্মিশিংনা নোংঙাল্লমদাই পুং ৩ রোম তারকপদা লাকখ্রবসু ঐখোয়না দি সী ওফিস য়ৌবদা অয়ূক্কী পুং ৮ লোম তাখি। মফমদুদা লৈরকখিবনা নুমিৎয়ুংবা পুং ১ তারকপা খঙহৌদ্রে। ঐখোয় পূম্নমক অয়ূক্কী চাকসু অমত্তা চাদ্রবনিনা খম থেংনা ৱানরে। নুংথিল পুং ১ খরা হেল্লকপদগী ঐখোয়বু দি সী ওফিস কমপ্লেক্সতগী মোইরাং তান্না অমুক পুরে। ময়ামদু মোইরাংদা লৈহৌরবসু ঐদি মফমদুদা লৈতনা কুম্বীদা লৈবা ইপামলোমদা লাকখি। কুম্বী য়ৌবগা মফম অদুদসু রিলিফ কেম্প হাংলম্বদগী মদুদা চঙদুনা লৈখি। থা অমমুক লৈরম্লগা পীক্লিবা অঙাং নারকপদগী ইচেগী হকচাংসু শোন্থরকপদগী থাংমৈবন্দগী রিলিফ কেম্প অসিদা লাক্তুনা লৈরকখিবনি।

কুম্বীগী রিলিফ কেম্পতগী থাংমৈবন্দগী রিলিফ কেম্পতা লাকপগী মরক্তা লম্ফেলদা লৈবা ইচে থোকপা মরী-মতা অমগী য়ূমদসু মতম খরা লৈখি। রিলিফ কেম্পতা লৈরকপসি অৱাৎপগী অৱাৎপা ঙাক্তনি। ইথক্তা লৈবসু নত্তবনিনা য়াম্না ৱাই, ইশাগী য়ূমমকসু নত্তে, চাবা-থকপবুদি ফজনা পীজে, অৱাৎপা লৈহন্দে। অদুবু ইহো হোবদৌনা তৌই হায়না ফোঙদোরকখি।

য়ূম্নাম অবেমচানা মখা তানা হায়, থৱায় হিংনবগীদমক খল্লগা য়ূমদগী থোরক্তুনা লাঞ্জেন্নরকখিবনা করিসু পুরকপা ঙমখিদে। চেন্থোরকখিবা মীৎকুপ্তুদদি ঈরাং কল্লিঙৈ ঙাইহাক চেন্থোক্লগা লৈরবা মতুং অমুক হঞ্জিন্দুনা মহৌশাগুম লৈবা য়াগনি খনখি। লাঞ্জেল্লকপদা পুরকখিবদু মীমান্নদ্রবী ইচেগী শীজিন্নবা কম্বল অমখক্তনি। ইপুরোইবসু চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল মমাঙদা দুকান অমখক হাংদুনা ফম্লকপা থা ১ ...মখা লামায় ৩ কলম ৮

## চহী ১৪ খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমবু থা ৬কী অঙাং নাওপুহনবা মীওই জেলদা থাজিনখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ (ঐচএনএস) :** নুপী অঙাংদা চথবা তোঙান-তোঙানবা ক্রাইমশিং লাকশিন্নবগীদমক মণিপুরদা হান্নদগী ক্রাইম এগেনষ্ট ৱিমেনগী অখন্নবা কোর্ট অমা লৈবগী মথক্তা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা পীরকখিবা দিরেক্সনগী মতুংইন্না প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন ফ্রোম সেক্সুএল ওফেন্স (পোক্সো) এক্টকী কেসশিং ৱায়েল চথনবা স্পেসল কোর্ট অনী ফাওবা লিংখৎতুনা ৱায়েল চথরবসু নুপী অঙাংদা চৎহৈদবা লীচৎশিং চথরকপদি হন্থদ্রি। ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## ৫৪শুবা ইন্টরনেসনল ফিল্ম ফেষ্টিবেল ওফ ইন্দিয়াগী নন-ফিচর ফিল্ম ২০ খনগৎপদা মণিপুরগী 'অন্দ্রো দ্রিমস' অমসুং 'লাষ্ট মীট' য়াওরে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ (ঐচএনএস) :** মথং থাগী ২০দগী ২৮ ফাওবা গোৱাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৫৪রক শুবা ইন্টরনেসনল ফিল্ম ফেষ্টিবেল ওফ ইন্দিয়া (আই এফ এফ আই) দা উৎকদবা নন-ফিচর ফিল্ম ২০ খনগৎপদা মণিপুরগী লোংজম মিনাগী 'অন্দ্রো দ্রিমস' অমসুং ৱারিবম দোরেন্দ্রগী 'লাষ্ট মীট' য়াওরে।

ফেষ্টিবেল অসিগী ইন্দিয়ন পেনোরমা ২০২৩গী নন-ফিচর ফিল্ম উৎপগী অহানবা নুমিৎতা 'অন্দ্রো দ্রিমস' উৎকনি হায়রি। ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫